## এসিয়া কপ হোক্কী ২০২২

# ইন্দিয়ানা ইন্দোনেসিয়া ১৬-০দা থোইদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে



জকর্টা, মে ২৬ (এজেন্সী):

জকর্টাদা চথরিবা এসিয়া কপ মেন্স হোক্কী টুর্নামেন্টকী ওসি শান্নখিবা পুল এগী অরোইবা মেটচতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ইন্দিয়ানা য়ূম্নু টিম ওইরিবা ইন্দোনেসিয়াবু ১৬-০দা মায়থীবা পীরল্লগা মথংগী রাউন্দগীদমক ক্কালিফাই ওইখ্রে।

ইন্দিয়ানা পুল এগী অহৌবা মেটচতা পাকিস্তানগা ১-১দা দ্রো ওইখি অদুগা অনীশুবা মেটচতা জপানগী মখূৎতা ২-৫দা মায়থীখিবনি।

পুল এগী ওসি অঙনবদা শান্নখিবা মেটচতা পাকিস্তাননা জপানগী মখূৎতা ২-৩দা মায়থীরবা মতুং দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ইন্দিয়ানা সুপর ফোর চঙনবগীদমক ইন্দোনেসিয়াবু ১৫-০দা মায়থীবা পীবা মথৌ তাখিবনি।

ইন্দিয়া অমদি ইন্দোনেসিয়া অনীনা শান্নখিবা মেটচতা দিপসন টির্কিনা ইন্দিয়াগী গোল ৫ চনবা ঙমখি। অদুগা সুদেব বেলিমগানা গোল ৩ চনখি।

ভেটেরান প্লেয়র এস ভি সুনিল, পাৱন রাজভর অমদি কার্থি সেলভমনা ইন্দিয়াগী গোল ২/২ অদুগা উত্তম সিংহ অমদি নিলম সঞ্জিপ জেসনা গোল অমমম্ চন্দুনা ইন্দোনেসিয়াবু ১৬-০দা মায়থীবা পীখিবনি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তান অনীনা গ্রুপ ষ্টেজদা চপ মান্নবা পোইন্ট ৪/৪ ফংখিবনি। অদুবু ইন্দিয়ানা সুপরিয়র গোল দিফরেন্স (১৩)তা পাকিস্তানবু মায়থীবা পীরল্লগা সুপর ফোরগীদমক ক্কালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

এসিয়া কপ মেন্স হোক্কী ২০২২ ফোর্মেটকী মতুংইন্না সুপর ফোরগী টিম মরিনা অমমম্ শান্নরবা মতুং তোপ টুদা লৈহৌবা টিম অনী অদু ফাইনেল শান্নগদবনি। অদুগা তোপ থ্রীদা লৈহৌবা টিম অহুম্না মথং চহীদা ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কদবা মেন্স এফ আই ঐচ হোক্কী ৱর্ল্ড কপ ২০২৩গীদমক ক্কালিফাই ওইগদবনি।

# লভলিনা বোর্গোহেন আই বি এ এথলিট কম্মিটি চ্যের খনখ্রে



ন্যু দেল্লী, মে ২৬ (এজেন্সী):

ওলিম্পিক ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট লভলিনা বোর্গোহেনবু চ্যের খনখিবগা লোয়ননা বোর্দ ওফ দিরেক্টর্স ফোর এথলিট কম্মিটিগী ভোটিং মেম্বরসু ওইরগনি হায়না ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসননা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

বোর্গোহেননা ২০২২গী মেদা পাঙথোকখিবা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ মনুংদা পাঙথোকপা মীখলদা খ্বাইদগী য়াম্না ভোট মশীং ফংবা ঙমখিবনি।

'ঐবু আই বি এ এথলিট কম্মিটিগী চ্যের ওইনা খল্লকপা অসি য়াম্না নুংঙাইবা অমদি ইকাই খুম্নবা ফাওই। ঐদি মেম্বর খক ওইগনি খঞ্জরম্বনি। অদুবু শুংথা থাজরমদবা মওংদা কম্মিটিগী চ্যেরসু ওইহনবীরে। মসিনা ঐঙোন্দা ইন্দিয়ন বোক্সিং মরুওইনা ৱিমেন্স বোক্সিংবু মালেমগী অতোপ্পা বোক্সরশিংগী মমাংদা প্রমোট তৌবদা অচৌবা মতেং পাংলগনি।' হায়না বোর্গোহেননা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা রিলিজ অমদা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়াগী বোক্সর শিব থাপাসু আই বি এ এথলিট কম্মিটিগী মেম্বর ওইনা খনখ্রে। মহাক ২০২১ আই বি এ মেন্স ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী মনুংদা পাঙথোকখিবা মীখলনা খনখিবনি।

## নেসনল সব-জুনিয়র বোক্সিং

# চিরোম জয়শ্রীনা গোল্ড লৌখ্রে




ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):

কর্নাটাকাগী বেলারিদা চথরিবা নেসনল সব-জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ষ্টেটকী নুপী বোক্সর চিরোম জয়শ্রীনা কেজি ৬০গী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

মহাক্না কাঙলূপ অসিদা গোল্ড মেদল ফংবখক নৎতনা বেষ্ট বোক্সরগী মনাসু ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, নিংথৌজম অঞ্জলিনা নুপীগী কেজি ৫০গী কাঙলূপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

অতোপ্পা ষ্টেটকী নুপী বোক্সর অনী অহৈবম থোইবীসনা (৪০) অমদি লোংজম রাধামণি (৪৬) ক্কার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌবদগী মেদলগী মঙলান কায়খিবনি।

## সঙাই ট্রোফি ভেটরান ফুটবোল

# থোইবগী হেটট্রিকনা য়ু ভি এস এ চাওনা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):

সী ঐচ থোইবনা চনখিবা গোল ৩ অমদি এন জি রতনকুমারনা চনখিবা গোল ১গী মতেংনা য়ু ভি এস এ এফ সীনা এম য়ু এস এ চেক্কোনবু ৪-০দা চথরিবা ৪শুবা সঙাই ট্রোফি ভেটরান ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী ওসি খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

এন জি রতনকুমারনা শান্নবা হৌরকপগী ৯শুবা মিনটতা য়ু ভি এস এগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। থোইবগী অহানবা গোল অদুনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬২ শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী অনীশুবা গোল অদুনা শান্নবগী ৬৮শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মহাক্কী হেটট্রিক অমদি মায় পাকপগী মরিশুবা গোল অদুনা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি এল গোকুলানন্দনা মায় পাকখিবা য়ু ভি এস এগী এন ধনজিৎ শান্নবগী ৫৫ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

অমরোমদা, চপ মান্নবা গ্রুপকী ওসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ভি এস এ আই থাংমৈবন্দনা এ এম বি এ উরিপোকপু ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

থাংমৈবন্দ টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এন জি সন্তোশ অমদি কে ঐচ রাজেন খা-ঙানবনা অহানবা হাফকী শান্নবগী ২৩ অমদি ৩০ শুবা মিনটতা অদুগা টি ঐচ সোমেন্দ্রো অমদি এস শান্তনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৩৭ অমদি ৬৫ শুবা মিনটতা গোল অমমম্ চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা উরিপোক টিমগী য়ু মনোরাজাবু রেফরি সী ঐচ পানমৈনা শান্নবগী ৩৭ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

## টি কে দব্লিয়ু এ ট্রোফি

# লিসবোন, এল এস আই সী দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):

তেন্থা খোংবাল ৱেলফেয়র এসোসিএসন (টি কে দব্লিয়ু এ)না শীন্দুনা তেন্থা মল্টিপ্লেক্স গ্রাউন্দদা চথরিবা টি কে দব্লিয়ু এ ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ওসি শান্নখিবা গ্রুপ সীগী মেটচ অমদা লিসবোন এফ সী লুৱাংশংবম অমদি এল এস আই সী লম্লাই ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

লম্লাইগী গোল অদুনা এম সনাথোইনা শান্নবগী ১৯ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি অদুগা লুৱাংশংবমগী গোল অদুনা সুরেশনা শান্নবগী ৩২ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী ওসি শান্নগদবা মেটচ অমদা হিয়াই এফ এ লুৱাংশংবম মতম চানা রিপোর্ট তৌরদবদগী লনচেনবী এফ সী তাওবুংখোকনা ৱাক ওভর ফংদুনা মায় পাকখ্রে।

# এস কেনেদি খল্লক্লে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):

ভিএটনামগী হো চি মিনদা জুন ২৪দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী কপ গ্রুপ ষ্টেজ এসিয়ন জোন (গ্রুপ ১)গী মেটচ কন্দক্ট তৌনবা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসননা সাপম কেনেদিবু এসিষ্টেন্ট রেফরি ওইনা খল্লক্লে হায়না অস্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা খঙহল্লক্লি।

# ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):

টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমি তাওবুংখোককী নন-রেসিদেন্সিএল রেগুলর ফুটবোল কোচিংগী চহী ৮দগী ১৫ মখাগী অনৌবা নুপা অমদি নুপী শান্নরোয়শিং লৌনবা ট্রায়ল সেলেক্সন থা অসিগী ২৮দা পাঙথোক্লগনি। ট্রায়ল অসিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংনা মতম চানা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

# লমকাং স্পোর্টস মীট : অংখেল চয়াং, লাইকটলা নুপাগী ভোলিবোল ফাইনেলদা থেংনরগনি



ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):

লমকাং কুরচুকনাও কুনপুন (এল কে কে)না শীন্দুনা অংখেল চয়াং গ্রাউন্দদা চথরিবা ৫৬শুবা ওল লমকাং স্পোর্টস মীট ২০২২গী ভোলিবোল মশান্নগী সেমীফাইনেল মেটচশিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা অংখেল চয়াং অমদি লাইকটলানা নুপাগী অদুগা থল্লাপোকপী অমদি লাইকটলানা নুপীগী ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী ওসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা অংখেল চয়াংনা কোটাল খুন্থকপু ৩-১দা অদুগা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা লাইকটলানা কোংপেবু ৩-০দা মায়থীবা পীখিবনি।

নুপীগী অহানবা সেমীফাইনেলদা থল্লাপোকপীনা ফাইদমবু ৩-০দা অদুগা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা লাইকটলানা হাইকা খুবুলবু ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা, ফুটবোল মশান্নগী ওসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা থল্লাপোকপীনা হাইকা খুবুলবু ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

থল্লাপোকপীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু টি ঐচ ৱার্ঙমনা ২ অদুগা এস কে দর্পোলনা ১ চনখি। হাইকাগী গোল ২ অদুনা রেংদোন অমদি কমনিংৱারনা চনখিবনি।

অতোপ্পা ওসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা অংখেল চয়াংনা পি রালরিনখুবু ৮-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

য়ূম্নু টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এস কে বুংহোংনা ৩ অদুগা এস এন বুংপেম, দি বি রেংহোননা ২/২ অমদি টি ঐচ রেংশেলনা ১ চনখি।

ভোলিবোল অমদি ফুটবোলগী ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ৩০দা শান্নরগনি।

## থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট সুব্রোটো হৌদোকখ্রে

# এ জি, হৈরোক স্কুল মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):

দিষ্ট্রিক্ট য়ূঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিস থৌবালনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা সুব্রোটো মুখর্জী ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওসি কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্স ৱাংজিংদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা এ জি মেমোরিএল একাদেমি হাওখা অমদি হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুল চহী ১৭ মখাগী কাঙলূপ্তা মায় পাক্লুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী চহী ১৭ মখাগী কাঙলূপ্তা টিম ৪না শরুক য়ারি অদুগা চহী ১৪ মখাগী কাঙলূপ্তা টিম ৬না শরুক য়াদুনা ইরাই নুমিৎতগী শান্নবা হৌরগনি।

চহী ১৭ মখাগী ওসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা য়াইরিপোক হায় স্কুলবু ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

হৈরোককী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মার্জিৎনা ৩ অদুগা নাওবা অমদি ওবেদিয়ানা অমমম্ চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ওসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা এ জি মেমোরিএল একাদেমি হাওখানা খোংজোম ষ্টেন্দর্দ ইংলিশ স্কুলবু ৯-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। হাওখা টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু কে প্রেমানন্দ অমসুং কে ঐচ সাগরনা ৩/৩ অদুগা এন বিপিননা ২ অমদি সী ঐচ জেটলিনা ১ চনবা ঙমখি।

চহী ১৭ মখাগী ফাইনেল ইরাই নুমিৎকী নুংথিল পুং ১.৩০দা শান্নরগনি।

হৌদোকপগী থৌরমদা য়াসকী দেপ্যুটি দিরেক্টর ৱাই বোনিনা অথোইবা মীথুংলেন অদুগা চান্দেলগী দি ৱাই এ এস ও, এস রনবিরনা থৌরম মপূ ওইনা শরুক য়াখি।

# অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):

এ লালা (রোসাবন্ত)না মোইরাংখোম শৌগাইজম লৈরক্তা লৈবা মহাক্কী ময়ূমদা থা অসিগী ২৩দা লৈখিদববু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না হিংলিঙৈ দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ফুটবোলবু চাউখৎনবা হোৎনরম্ববু এসোসিএসননা নীংশিংবগা লোয়ননা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা থৌনীখি।

# ফ্রেন্দলি মেটচ শান্নখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):

চাসদ বট্টালিয়ননা শীন্দুনা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী আইশি ভিলেজদা লমদম অদোমগী নহাশিংগা ট্রুপশিংগী ওইবা ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচ অমা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখ্রে।

# জে এস এ এমনা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):

বাংলাদেশকী ধাকাদা জুন ১৫দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল জোমাসর চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদবা ষ্টেটকী শান্নরোয়শিংনা মরী লৈনবা চে-চাং পীশিল্লক্লবা ইন্দিয়া টিমগী কোচ এন জি জিট খুমনচানা খঙহল্লক্লি।

## দব্লিয়ু জয় ষ্টেট য়ু-১৪ হোক্কী

# হোক্কী য়ুনিয়ন-এনা সেয়ো থোইখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৬ (ঐচ এন এস):

হোক্কী য়ুনিয়ননা শীন্দুনা লাইরিকয়েংবম লৈকাই গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা দব্লিয়ু জয় সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল য়ু-১৪ বোইজ এন্দ গর্লস ৬-এসাইদ হোক্কী টুর্নামেন্টকী ওসি শান্নখিবা নুপামচাগী পুল এগী মেটচ অমদা হোক্কী য়ুনিয়ন-এ লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা সেয়ো ক্ষেত্রি লৈকাইবু লাকচনা ১২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

বি টনিশনা শান্নবা হৌরকপগী ৯শুবা মিনটতা য়ূম্নু টিম এগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অরোইবা ক্কার্টরগী শান্নবগী ৩৫ অমদি ৩৬ শুবা মিনটতা গোল ২ অমগা চনবা ঙমখি। পি আরিয়ননা শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা সেয়োগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চনবা ঙমখি।

য়ূম্নু টিমগী অতোপ্পা গোলশিং অদু ৱাই টোরেসনা গোল ৪ অদুগা দব্লিয়ু ইন্দ্রিয়ু অমদি পি মঙালনা গোল ২/২ অদুগা ৱাই লিওর্নার্দনা গোল ১ চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা পুল বিগী ওসি শান্নখিবা মেটচ অমদা হোক্কী য়ুনিয়ন-বি লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমদি টি দব্লিয়ু সী-এ তাওবুংখোক ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

এস টাইওনা অহানবা ক্কার্টরগী শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা হোক্কী য়ুনিয়ন বিগী গোল চনবা ঙমখি অদুগা কে দিনারাজনা অহুমশুবা ক্কার্টরগী শান্নবগী ২১ শুবা মিনটতা তাওবুংখোক্কী ইক্কোলাইজ গোল চনবা ঙমখিবনি।

G SPOKEN ENGLISH
Govt. Regd. No. 2102

GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER
Better Education, Better Life

Come and Join at anytime

YOUR KNOWLEDGE IS THE WAY TO YOUR SUCCESS

ADMISSION IS GOING ON FOR 2022

English Course Details (Sir Tajkumar)
Grammer | Vocabulary | Pronunciation | Listening | Interview Skills | Daily Conversation | Personality De-

New Classes are going on come and join at anytime, Special For Students, college students, house wives, employees, teachers, Seniors, etc.



Plz. Viz. GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER Paona Bazar, Gourahari Market 2nd Floor, Behind Polo Ground, Near Hotel Khristina between 10 am. to 3 pm.
Or Plz Contact:- 8132904426, 9089825142 Or Whatsapp on :- 9089825142
Follow us On Facebook - facebook.com/globalspokenanddotcom/
HL-B/7634/21/5-8/7 (alt)

CUET
COMMON UNIVERSITY
Entrance Test CUET (UG) - 2022
(To be held in the month of July - 2022 by NTA)

FORM ISSUE :- 20/04/2022
CLASS STARTS :- 23 May, 2022
ELIGIBILITY :- Class XII passed/appearing
SHIFT :- (7am - 9.30 am & 2 pm - 3.15 pm)

NTA CUET (UG)
Common University Entrance Test 2022
Under Graduate Tests
for DU, JNU, Jamia Millia, BHU, AMU and All other Central Universities (CUs)

SPECIAL FEATURES:-
1) CUET-22 SLOT-1 Session
2) CUET-22 Mega Mock Test (Gen. Eng., G Test, Phy, Chem, Maths, Bio)
3) Supply Study Materials
4) CUET-CBT Practice Session

For details Please Contact : Co-ordinator, APOLLO ACADEMY
Kwakeithel Bazar near AMUCO Office, (7:00 am - 3:00pm), Contact No.-8258013846
HL-B/7662/25-29

LOAN AVAILABLE
(No-Downpayment)


8 Lacs ফাওবগী মনুংদা লৈবা any vehicles - Eco Van, Diesel Auto, Petrol Auto, Battery Auto, Cars and any two Wheelers নচিংবগী ওইনা 100% finance without downpayment দা Loan লৌবগী খুদোংচাবা L.G. Motors Branch Office :- Thoubal, Kakching, Samurou, Nambol, Moirang, Sekmai অমসুং H.Q. (Khagempalli) দগী ফংবীগনি।

N.B.:- Kakching, Thoubal, Moirang, Nambol, Sekmai অমসুং Samurou গী ওইনা Office Asst. 2/2 অমসুং Gr-IV/Helper 2/2 পামজৈ। Samurou গী ওইনা Car Wash Helper/ Mechanic Helper 2/2 পামজৈ।

Sd/- L.G. Motors
Khagempalli, Imphal West,
# 9774495994

HL-B/7613/22/4-20/6

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 465

GM R Praggnanandhaa - GM Anish Giri
Chessable Masters KO 2022 chess24.com INT,
2022.05.24

| | | |
|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 g6 | 3.Nc3 d5 |
| 4.cxd5 Nxd5 | 5.e4 Nxc3 | 6.bxc3 Bg7 |
| 7.Bc4 c5 | 8.Ne2 O-O | 9.O-O Nc6 |
| 10.Be3 b6 | 11.h4 e6 | 12.h5 Qh4 |
| 13.Qc1 cxd4 | 14.cxd4 Qxe4 | 15.Rd1 Na5 |
| 16.Nc3 Qb7 | 17.Be2 Bd7 | 18.h6 Bh8 |
| 19.Bf3 Bc6 | 20.d5 exd5 | 21.Bd4 Rad8 |
| 22.Bxh8 Kxh8 | 23.Nxd5 Bxd5 | 24.Qd2 Qe7 |
| 25.Qc3+ f6 | 26.Rxd5 Rc8 | 27.Re1 Qc7 |
| 28.Qa3 Nc4 | 29.Qe7 Ne5 | 30. ... |

QUESTION :
White to win

Puzzle 464 Ans. :
27. Ng5 Qg6 28. Qxh7+ Qxh7 29. Nf7#
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com